# ইনাক খুন্নবগী ফোর্মুলা (ৰাখল্লোন)

– ডা. খুন্দ্রাকপম দেবানন্দা –

এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর, দিপার্টমেন্ট ওফ মেনেজমেন্ট
নোর্থ-ইষ্টর্ন হিল য়ুনিভর্সিটি, তুরা কেম্পস, তুরা, মেঘালয়া
Email: devananda.singh@yahoo.com

ময়াম্বু খুরুমজরি। হৌখিবা য়ূমশকৈশশিংদা লায়রবা করিনো? ঐখোয় করিগী লায়ররিবনো? লায়রবা ওইহনবগী মরমশিং অমদি ইশানা ইশাবু মশক খঙজবা হায়বা হীরমশিংসিগী মতাংদা পাবীখ্রে। হায়রিবা পূন্নমকশিংসিগী মথক্তা ঐগী পান্দমদু ফংনবা হোৎনবদা 'ৰাখল্লোন' হায়বসি য়াম্না মরু ওইবা অমনি। ইশাগী লৈজরিবা থৌনা, পাঙ্গল অমদি লৌশিংনচিংবশিংসি মরীক চুম্না অমদি মতম চানা শীজিন্নবা হায়বসি ঐগী ৰাখল অমদি ৰাখল অদুবু ওইহল্লক্লিবা ৰাখল্লোনদুগা য়াম্না মরী লৈনৈ। মরম অসিনা ঙসিগী আর্টিকল অসিদা মীওইবগী ৰাখল্লোনগী মরু ওইবসি ঐখোয় নৈনসি।

ঐখোয় খুদিংমক্কী ইশা ইশাগী ওইবা অমদি মতাং মতাংগী ওইবা ৰাখল্লোন লৈজে। চপ মান্নবা হীরম অমদা মীওই খেন্নবগী মতুংইন্না ৰাখল্লোনসু খেন্নৈ। অসিদসু নত্তনা চপ মান্নবা হীরম অমদা মীওই অমখক্তংগী ওইবা ৰাখল্লোন মতম অমসুং ফীভম তোঙান তোঙানবদা ৰাখল্লোন খেন্নৈ। মসি ঐখোয় খুদিংমক্না খঙনরবা অমদি নুমিৎ খুদিংগী থেংনরবা থৌওংশিংনি। চাউয়েং য়েংবদা ৰাখল্লোন হায়বসি অনী থোক্না খাইদোকপা য়াই। মখোয়শিংদুদি 'অফবা ৰাখল্লোন' অমসুং 'ফত্তবা ৰাখল্লোন' হায়বসিনি। মসিসু হান্না পনখিবগুম্না, কনাগী অফবনি খঞ্জরিবা ৰাখল্লোন অদু অতোপ্পা অমগী ফত্তবা ৰাখল্লোন অদুনা অতোপ্পা কনাগুম্বা অমগী অফবা ৰাখল্লোন ওইবসু য়াই। মরম অদুনা হীরম অসিগী মতাংদা নৈনবা য়াবা কয়া সোসল সাইন্টিষ্ট, সাইকোলোজিষ্ট অমদি অখঙ-অহৈ কয়ানা নৈনরবসু চয়েৎ খোয়েৎনবা, অমগা অমগা মোত মান্নদবা অসিনচিংবশিংসি অদুম লৈরি। পূন্নমকসি নাথৈদুনা থল্লগা সাইকোলোজি অমদি ঐখোয় খুদিংমক্না নুমিৎ খুদিংগী থেংনরিবা এক্সপরিএন্সতা য়ূম্ফম ওইরগা ঐখোয় পূন্নমক্না অরায়বা মওংদা 'ৰাখল্লোন' হায়বসি নৈনরসি।

ৰাখল্লোন হায়বসি অপিকপা করিগুম্বা অমনি অদুগা মসিনা অচৌবা খেন্নবা ওইহল্লি। মপূং ফাবা মীওই অমা ওইবদা ইশাগী ৰাখল্লোন মুন্না খঙবা মথৌ তাই। মতাং অসিদা ঐনা হায়জনীংলিবদি, মীওই কয়া অমদি মাগী মাগী ওইবা ৰাখল্লোন অসি অফবরা নৎত্রগা ফত্তবরা হায়বসি কয়া খঙজদে অদুগা খঙনবসু হোৎনদে। নোংমগী ওইবা থৌরম পরেং ওইনা অদুম চথৈ। খঙলবসু খঙদ্রবসু হান্না হান্নগুমই। মীগী মপোৎ হুরাননীংবগী ৰাখল্লোন হায়বসি অফবা নত্তে। পূন্নমক্না খঙনৈ অদুবু হুরানবা মীদুদি অদুম হুরাননীংবগী ৰাখল্লোন লৈ, হুরাল্লি। অদুদি মীপূম খুদিংমক্কী ৰাখল্লোনগী মরুমদা করিগুম্বা খরা শোয়দনা লৈরে। খুদম ওইনা হুরানবা মীদুগী ইমুং-মনুং চান্নীংঙাই-থক্লিংঙাই লৈতবা, লায়রবা, দ্রগ চাবা অসিনচিংবশিং ওইবা য়াই। অফবা ৰাখল্লোন হায়বসি অঙাং ওইরিঙৈদগী শাগৎনবগীদমক্তা অঙাংশিং অফবা মহৈ তম্ফমশিংদা থানৈ। অদুবু ঐখোয়গী লমদমসিদা অফবা মহৈ তম্ফম হায়রগদি মার্ক য়াম্না ফংদুনা পাস তৌবা মহৈ লোইশঙদু ওইনা লৌনৈ। তশেংনা হায়রবদি মসি ওইফম থোক্তে। অফবা ৰাখল খনবা ঙম্নবা ঐখোয়না অঙাংশিং মরু ওইনা মহৈ তম্ফমদা, য়ূমদা অমদি মতম চূপ্পদা তম্বীবা তঙাইফদে।

ৰাখল্লোন হায়বসি মখা তানা মখল মরি থোক্না খাইদোকপা য়াই। মখোয়শিংদু অমমমতা ওইনা মখাদা পীজরি।

১. পোজিটিভ ওইবা ৰাখল্লোন : হায়রিবা মখলগী ৰাখল্লোন অসি মীওইবনা মায় পাক্লবগী মরম অমনি হায়না অখঙ-অহৈশিংনা লৌনৈ। মসিগী মরমদি ৰাখল্লোন অসিনা পাঙ্গল, লৌশিং অমদি মতমবু নিংথিজনা শীজিন্নদুনা থবক অমা পাঙথোকপা ঙম্নবগী থৌনা লিংজেল পী। মতাং অসিদা ৰাখল্লোন মখল অসি চেন্নবগীদমক্তা ইশানা ইশাবু থাজবা হায়বসি তঙাইফদে। কনাগুম্বনা মশানা মশাবু থাজদ্রবদি, মহাক্কী মপুন্সিদা অমদি পুন্সিগী লমজেলদা অমুক্তা নত্তে, হঞ্জিন হঞ্জিন মায়থীনবগী মরম ওইহল্লি।

অফবা ৰাখল্লোনগা লোয়ননা মী মীদুনা তৌবা ঙমগদবা থবক্তু পূক্লিং অমদি ইচং থৌনা, ইশাবু থাজবগা লোয়ননা হোৎনরবদি মায় পাকপা হায়বদু শোয়দনা ওইগদৌরিবনি। মতাংসিদা 'তৌবা ঙমগদবা থবক' হায়বা অসিসু খনবদা অরুবা অমা ওইবা য়াই। মসিনা অমুক তোঙান্না মতুং তাবদা নৈনরসি।

২. নেগেটিভ ওইবা ৰাখল্লোন : অখঙ-অহৈশিংগী মোত মতুংইন্না ৰাখল্লোন মখল অসি মায়থীনবগী ওইবা ৰাখল্লোননি হায়না লৌনৈ। অসিগুম্বা মখলগী ৰাখল্লোন লৈবা মীওই খুদিংমক, অফবা তাঞ্জা কয়া নাম্থোকখিদুনা পুন্সিদা মায়থীহল্লি। থবক অমা তৌবদা অমদি তৌদ্রিঙৈদা মতম চূপ্পদা মদুদগী নাথৈনবা হোৎনগনবা, অতোপ্পা মীওইশিংগা চাংদম্নগনবা অসি তোয়না থোক্কল্লি। শাওবা, চিংনগনবা, ৰাখল ৰাবা, ঙমলোই হায়না খনবা, অরায়বা থবক থৌরম কয়াদা লুনা হেক্তা লৌগনবা হায়বশিংসিসু নেগেটিভ ওইবা ৰাখল্লোন চেনবা মীওইশিংদা তোইনা থোক্কল্লি।

মখা তাবা হায়বদি অহুমশুবা অমদি মরিশুবা মখলগী ৰাখল্লোনশিং নৈনদ্রিঙৈ মমাঙসিদা মথক্কী ৰাখল্লোন মখল অনী (পোজিটিভ অমদি নেগেটিভ) অসি তুনা অমুক খুদম অমদি ৰারীমচা খরগা লোয়ননা মখাদা ইজরি। লোয়ননা মখল অনী অসি য়াম্না মরী লৈনৈ হায়নসু থমজরি।

- য়াম্না পোজিটিভ ওই খঞ্জবা মীওইশিং থুনা নেগেটিভ ওইগল্লি অমদি নেগেটিভ ওইবগী চাং য়াম্না ৰাংগল্লি।

পাবীরিবা অদোমনা মখল অনীসিগী মীওইশিংসি শোয়দনা থেংনবীরমগনি হায়না খল্লি। ইমুং-মনুংগী মীওইশিং, মরুপ-মপাংশিং অমদি লৈকায়গী মীওইনচিংবদা লৈরিবা মীওইশিংগী মরক্তা হেক্তা য়েংলসি। থবক অমা তৌসি হায়বদা হেক্তা য়াবা, মচিন মখা য়াম্না ফবা, মথোং মরমদি ইখঙ খঙদনা হোয়া য়াম্না ফবা, ৰাখল য়াম্না চাউবা, মানা মহেল্লে খঞ্জবা মীওইশিংসি মশানা পোজিটিভ ওইবা ৰাখল খঞ্জবা মীওইশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লৌজে। অদুবু তশেংনা মখল অসিগী মীওইশিংসি থবক্তি কয়া পাঙথোক্লদে। মানা তৌগে হায়না চপ য়ুংনা খল্লবা থবক থৌরমদু কনাগুম্বনা নেগেটিভ খরদং হেক হায়রকপদুনা হেন্না চুমই হায়না লৌগল্লি। খুদম অমা য়েংমিন্নসি। মশক মতৌ চুং ফিরাল চাবা পাখঙ মচা অমা মশা-মউ ফননবা কন্না হোৎনজে। অয়ূক ঙন্না হৌগৎতুনা শাজেল তৌই, অফবা চিঞ্জাক চাই অমদি ৰাখল নুংঙাইনা তূমই। নুমিৎ খুদিং মসল পুথোক্তুনা লেপ্পী মীংশেল মমাঙদা। মতোমতা শোনজে, ঐসে শক্লগা শক ফজবনে, হন্দক্তি মিষ্টর মণিপুরসে ঐনা শোয়দনা তাগদৌবা মাল্লি! তাঞ্জাদুদা লুনা তিন্নজবা মমান্নবদু চঙলকই অদুগা - "ইতাও নঙনা তৌরিদুবু ওইসু ওইরোইদবদা"। শক ফজবা, মশা ফবা পাখঙ মচাদু হেক্তা নেগেটিভতা লাকই। খল্লকই "ঐসিবু ওইরোইদৌরিবজাৎলনে?"

- নেগেটিভকী ৰাখল্লোন চেল্লিবসি তৌগদবা থবক্তু মচা তানা খঙদবগী ওইবসু য়াই।

মীওইবা খুদিংমক খঙদ্রগদি থবক্তু তৌবদা কিগনি। এরোপ্লেন থৌবা ঙম্বা পাইলোটতু সাইকল থৌবা হৈরমদবসু য়াই। মরম অদুনা সাইকল থৌবদা মহাক কিফম থোকই। অদুনা তৌগদবা থবক অদু তৌদ্রিঙৈদা মমুৎ তানা খঙদোক্লবদি, ৰাখল্লোন অদু নেগেটিভতগী পোজিটিভতা পুরকপা য়াই। মতাংসিদা য়াম্না লুরিবদি মীওইবগী 'নাপল' হায়বসিনি। নাপল চাউবা মীওইশিংদি থবক খুদিংমক লোইনা হৈ হায়না খঞ্জে, মীনা তৌবদা শিংথাদে। মঙোন্দা তাক্লুরবসু কয়া লৌগন্দে, হৈত্রগসু হৈনবা হোৎনদে। মখোয়শিংবু ঐখোয়না অমুনবা উহৈ অমগুম লৌবা য়াই। য়েংবীয়ু, অমুনবা উহৈদি মুল্লগা উচেকনা নৎত্রগা মীওইবনা হেক্লগা চাথোকনৈ। উচেকনা অমদি ঐখোয়না চাদ্রগনা লৈখাদা তাদুনা পৎ-পুমদুনা মাঙখি। অদুনা নাপল চাউবা মীওইশিংসি খঙনবা হোৎনদ্রবনিনা খঙবা ৰাৎলি, খঙদি খঙদনা খঙবা শাদুনা ভাঙগল্লি। মখোয়শিংদি পোজিটিভ ওইবা ৰাখল্লোন্দা পুরকপদা খরা লুনা থোকই।

ঐখোয় ঐখোয়গী ইমুংদা তোয়না থোকপা থৌদোক অমা হেক্তা লৌরসি। খুদম ওইনা অঙাংশিংনা লাইরিক পাও হায়বা য়াদবসিসু অমনি। হৌজিক কম্প্যুটর অমদি স্মার্ট ফোনগী মতমসিদা অঙাংশিংবু অফবা মী অমা ওইননবা, অফবা ৰাখল খলহনবা অমদি মতম চানা লাইরিক লাইশু পাহনবা হায়বসি মমা-মপা ওইবশিংগী খ্বাইদগী অরুবা থবকনি। অঙাংশিংনা (অহল খরসু) গেম শান্নবা, ঙাইহাক লৈতনা মোবাইল ফোন পায়নীংবা হায়বসি অনৌবা নত্তে। মখোয়না লাইরিক পাবসি মমা-মপাগী করিগুম্বা খরা তৌবীবদৌনসু খনজে। "ইমা ঐ গেম শান্নগে, ঙসাইদগী ঐ লাইরিক পাবীরিদুনিকো" গাইনা হায়রকপসু অদোম করিগুম্বদা তারম্বা য়াই। অদুদি মমা-মপা ওইবা ঐখোয়না করি তৌফম থোকই? মখাগীশিংসিদগী করম্বা ফগদগে য়েংসি।

অ) অঙাং লাইরিক পানবগীদমক মোবাইল লোৎশিন্দুনা থম্বা

(অঙাংদু শাওনীংগনি, লাইরিক পাশিন্নগনি, পাশিন্নবনিনা পূক্লিং চঙলোই, পূক্লিং চঙদ্রবনিনা কান্নবা ফংলরোই)

আ) অঙাংদু ফূ-চৈদুনা মোবাইল পায়হন্দবা

(থৌওং অসি তৌবিগনু, কৈদৌনুংদসু অঙাং ফূবিগনু। অসুম্না তৌরবদি অঙাংদু শাওনীংগনি, লাইরিক পাও য়ারোই, য়ারবসু পাশিন্নবা, মতম লেন্নবা হোৎনবা ওইনা থোক্কনি, কান্নবা ফংলোই)

ই) অতৈ অতৈ ...

মখাদা ঐনা থমজরিবা মওং অসি অমুক্তং চাংয়েং তৌদুনা য়েংবীয়ু।

পরিক্ষা হেক হায়দোকপদা অঙাংদুনা ফর্ষ্ট দিভিজন চৎলবসু, সবজেক্ট অনী ফেল ওইদুনা পাস অন্দর কন্সিদরেসন ওইরবসু নৎত্রগা ফেল ওইরবসু থাগৎপীবগী মথৌ তাই। মসি হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদগী মথংগী পরিক্ষাদা হেন্না ফগৎনবগীদমক্তনি। অয়াম্বা মমা-মপানা মসি কয়া তৌগন্দে। অঙাংদুদা ঙৈহাক লৈতনা চৈবি, মার্ক ৰাংদে, মীগী মচাদি য়াম্না ফৈ, অদু অদা। অদুদি মমা-মপাদু নেগেটিভ ওইবা ৰাখল্লোন খনবা মীওইনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। চহী হৌরকপদা, অনৌবা ক্লাসকী লাইরিক লৈবদা, অনৌবা মীং চনবদা অঙাংদুবুসু য়াওহনবীয়ু। মরমদি মতাংসি মখোয়দা য়াম্না মোটিভেট তৌবা তাঞ্জানি। ৰাখলনা শাবা ৰারীমচা অমা, ঐনা ময়ামদা তৌহঞ্জনীংবা মওংদা মখাদা থমজগে। ৰারীসি ঐনা য়ুনিভর্সিটিদা ওজা ওইদ্রিঙৈদা, মিসিনরি স্কুল অমদা চহী ১২ ওজা ওইরিঙৈদা থেংনজবা এক্সপরিএন্সতা য়ূম্ফম ওইজবনি।

ৰারী ১ : রাবৈ অমদি থম্বাল শু-নোম্লগা, ইস্কোলদগী থোক্লকপা মনা-মশিং খরা য়োঞ্জরগা চম্না হিংজবা ইবোয়াইমগী মপা-মমানি। লৈত-লৈত হোৎনজদুনা হৌজিক্তি ইবোয়াইমা ক্লাস আইট পাস তৌদুনা ক্লাস নাইন কারে। হন্দক্কী কোরোনাগী মতাংদুদা ওনলাইন ক্লাস তৌবগীনি হায়দনা মীঙোন্দগী পুরগা স্মার্ট ফোন অমসু লৈবিরে। ওনলাইন ক্লাসতু কান্নরিবরা নৎত্রগা কান্নদ্রিবরা হায়বদি খঙদে অদুবু মচানুপাদু মোবাইল শীজিন্নবদি ফজনা হৈরে। ফেসবুক, ৱাটসএপ, ইন্সতাগ্রাম অমত্তা হেক চিংখদে। গেমসু মোবাইলদুদা ফজনা শান্নরে। হান্নদগী অহোংবা কয়া লৈরে, ফত্তবরোমদা চৎখিদৌরে খঞ্জদুনা মমা-মপা অনীনা পাখৎচৈ। নোংমগী নুমিৎতা মপা- ইবোয়াইমা, ববানা নঙগী ক্লাস নাইনগী লাইরিকশিংদু লোইনা লৈরক্লে। লাকও-লাকও, চেখুম পানশিল্লসি।

মচা - ববা, ঐ গেম শান্নরি, লোইরগা লাক্লগে।

(মপা- শাওবা য়াদে, শাওরগদি তৌগদৌরিবা থবকসি কান্নফম খঙলোই)

মপা - ফরে ফরে, ঐ ইরুজরুখিগে, অদুগা তৌরসিকো।

মচা - হোয় ববা

(ইবোয়াইমা হরাওনা গেম মখা চথৈ, মপা লাকত্রিঙৈদা লোইশিল্লগে খল্লি)

ঙাইহাক লৈরগা

মপা - লাকও-লাকও, লাইরিকসে য়াম্না য়াম্মিনে নঙগীসিবো।

মচা - করি করিনো য়েংগে ববা।

মপা - য়েংউ য়েংউ

(মপা-মচা চেখুম পানবা লোইশিল্লক্লে, মতাংসিদা মচাবু লাইরিক পাহন্নবগীদমক্তা মপানা লৌশিং তৌবা হৌরক্লে)

মপা - নঙগী লাইরিকশিংসে চেনা কয়া পানগে অমুক্তা য়েংথোকসিদনা।

মচা - করিগীনো ববা?

মপা - থামনবসিদা নঙ পাবদা ৰাগদরা হায়দুনা তৌবনিদা।

মচা - য়েংগে ববা

মণিপুরী : পেজ ৬২, ইংলিস : পেজি ৭৬, অঙ্ক : পেজ ১০৬, সাইন্স : পেজ ১১২, সোসল সাইন্স : পেজ ৮৪ (ৰাখলনা শাবা লামায় মশীং)

মপা - পূন্না তিনশিন্নরগা কয়া তারবা?

মচা - ৫৩৭ তারে, লামায় মশীং অদুগা কম্মর্সতি এদ্দিসনেল সবজেক্টনি।

মপা - নঙবু গেম য়াম্না শান্নবা পাম্বরা?

মচা - ঐদি শান্নদেদা, পামদে কৈসু।

মপা - য়াম্না শান্নগনু, খরা খরা শান্নববুদি য়াইদা।

মচা - (হরাওনা খুমই) হোয় ববা।

মপা - চহী অমদা নুমিৎ ৩৬৫/৩৬৬ লৈবদুগী নুমিৎ ৬৫/৬৬ তো নঙগী অতোপ্পা লাইরিক পাবা নত্তবা থবকশিং তৌনবা খাইদোকউ।

মমা - চাকসু লোইদৌরে ঙাইহাক ৰাৎলি, নপা-নচা চাঙাংসি থকতোকউ, ঙরাংগী মহী খরা লৈ হায়দনা শাহল্লকপনি।

মপা - থমউ থমউ। অদো ইবুংঙো ঙসাইগী অপূনবা চেনা মশীং ৫৩৭ তুদা চহী অমগী নুমিৎ মশীংদগী ৬৫/৬৬ খাইদোকখ্রগা লেমহৌবা নুমিৎ ৩০০দুনা য়েম্থোকউ।

(মচানা মোবাইলদুদা পিৎ পিৎ মেৎলি অদুগা)

মচা - ১.৭৯ থুংনৈ ববা।

মপা - য়েংউ ইবোয়াইমা, নঙনা নঙগী ক্লাস নাইনগী লাইরিক ময়ামসে লোইনা পাথোকপদা চহী অসিদা নুমিৎ ৬৫/৬৬ অমসু খাইদোকখ্রগা চেনা অনী ফাওবা ফাদে নোংমদা পাদৌরিসে!

মচা - হোয়নে ববা, চেনা অনী ফাওবা ফাদেনে। সিদি ইরায় লায়জাৎনি।

মপা - অঙ্ক, সাইন্সনচিংবা সবজেক্ট খরদি পারগা খঙদবসু য়াই। সিনা কমদৌবা, ট্যুসন অমুক চৎকদরা?

মচা - ট্যুসনগা চপ মান্ননা অহোৎপা, অদৈদি য়ুট্যুবতা মান্ন-মান্নবা ময়াম অমা তাকপা য়াওইদা ববা। ঐনা নহানখৈ পাবীদবগী ৰানি।

মপা - করিগী পাদ্রিবা?

মচা - য়াম্না লাইরিক্তো য়াম্মনবা মানবা।

মপা - অদো নঙবু লামায় অনীসে নোংমদা মমুৎ তানা পাথোকপা ঙমগদ্রনে?

মচা - লামায় অনী নত্তে, মঙা-মঙা পারগে অদুগা মতম খরা লেমনিদনা অদুনা রিভাইস তৌনবা, খঙদ্রগনা মোবাইলদা য়েংলগে।

মপা - মদুদসু খঙদ্রগনা নঙগী মাম্মদা হংলসু য়াইদা।

মচা - হোয় ববা।

মপা - ফরে ফরে চাক লোইরম্মনি, চাথোক্লুরসি।

মচা - ঙাইখো ববা, ঐ চেনা অমা পাবা হৌরকখিগে।

ৰারীমচাসিদগী খঙলে মদুদি, অঙাংদু পোজিটিভ ওইবা ৰাখল্লোন্দা লাক্লে। মসিগী মরমদি মহাক্লা নোংমদা পাগদৌরিবা চেনা মশীংদু অনী ফাদে, য়ামদে খঙবদগী ওইরম্বসু য়াই। অসুম্না থবক পাঙথোকত্রিঙৈদা মমুৎ তানা খঙদোকপগী কান্নবা লৈগনি। ঙসিগী মহৈরোয়শিং সিলেবস মুন্না খঙলগদি য়াম্না ফৈ নৎত্রগা অহানবদা সিলেবস অদু খঙদোক্লগা মাঙদা থমদুনা মথক্তা পঞ্জখ্রিবা ৰাসি মচাসিগুম্না নোংমদা টোপিক কয়া পাগদগে খঙদোক্লগা লাইরিক তম্লবদি অচৌ অচৌবা পরিক্ষা কয়াদা মকোক থোংবা ঙমগনি। নৎত্রবদি পাগদবসু খঙদা, পাবসু পাদা, মতমনা সুম হৌজিনখিদুনা পরিক্ষা ময়া য়ৌরকপদা মথা শাবা ওইগনি। নম হাদুনা পাস তৌরবসু সর্টিফিকেটতুদং ফংলগা কান্নফম লৈতবসু য়াই।

মথংগী আর্টিকলদা লেমহৌরিবা ৰাখল্লোন মখল অনী হায়বদি অহুমশুবা অমদি মরিশুবগী মতাংদা অমুক ইজরক্কে। অদোম্না পাবদা করিগুম্বা খরা কান্নৈ খনবীরবদি মরুপ মপাংশিংদা স্যের তৌবীয়ু। মখা তানা পাবীনীংলবদি মথংগী চয়োল ঙাইমিন্নরসি। পূন্নমকপু অমুক হন্না খুরুমজরি। ●

---

# কুন্থ্রানিথোই শুবা ওলিম্পিক গেমস চহী অমা য়ৈথোকপা

- লৈশাংথেম অজিৎ -

হৌখিবা কুমজা ২০২০দা টোকিওদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ৩২শুবা ওলিম্পিক গেমস অদু কোরোনা ভাইরসকী লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা চহী অমগী মতুংদা কুমজা ২০২১দা পাঙথোক্কনি হায়না ৰারেপ লৌখিবা অদু ওলিম্পিক্কী পুৱারীদা অহানবা ওইদৌরিবা থৌওংনি। ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি অমসুং জপান ওলিম্পিক কম্মিটিনা গেমস অসি মপূং ফানা পাঙথোক্লবা কয়াৎশিং হান্না য়াত্তুনা থমখ্রে। মালেমগী মফম কয়াদা ওলিম্পিক অসি পাঙথোক্তবা য়ানা লৈরি, পাঙথোক্লরোই হায়নবদা জপান ওলিম্পিক কম্মিটিনা অসুম্না হায়নবা অসিদা এথলিটশিং মথ্বায় নুংঙাইতে, মখোয়দা য়াম্না শোকই হায়না ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটি (আই ও সী) গী প্রসিদেন্ট মিষ্টর বাক (Bach) না হায়খি। কুমজা ২০২০গী জুলাই ২৩দগী হৌদুনা টোকিও ওলিম্পিক অসি পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদুদা মশান্না ৩৩ (দিসিপ্লিন) দা শান্নরোয় ১১,০০০ শরুক য়াগনি মদুদা হৌজিক হৌজিক শান্নরোয় ৬৭০০ রেজিষ্টর তৌখ্রে। মখোয় কনফার্মসু তৌখ্রে। মিষ্টর বাক্লা হায়রি মদুদি শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী মশান্নশিংদুদা পূক্লিং লুপ্তুনা লৈগদবনি, মখোয়না ৰাখল নুংঙাইতবা খন্দনা শান্নবগী লম্বা তৌনবগী ৰাখলগী ৰাংমদা অতোপ্পা নেগেটিভ ওইবা ৰাখল খল্লোয়দবনি।

অসিগুম্বা নুংঙাইতবা থৌওংশিং অসিনা শান্নরোয়শিংগী ত্রেনিং তৌবা অমসুং কোচিং তৌদুনা মখোয়না শেম শাবদা ৰাখল নুংঙাইতে, মথ্বায় শোকহল্লি। ৰাফম অসি বাকনা আই ও সীগী থাগী ওইবা মীটিং লোইরবা মতমদা হায়খিবনি। মহাক্লা অসুম্না হায় মদুদি এথলিটশিংনা মখোয়গী লম্বাগা দিট্রেক্ট তৌরোইদবনি। ঐখোয়না এথলিট অমগী ওলিম্পিক্কী মঙলান অদু থুগায়বা পামদে । সাইন্টিষ্টনা ফাওবা থা ৬কী মনুংদা মালেম অসিদা করি লায়না লৈরকপা য়াই হায়বসু খঙবা ঙমদে। মরম পূন্নমক অসিনা ঐখোয়না ইনর্জি অমদি মতম মাঙহনবা য়াদে। মঙোন্দা তিকা থাবগী মরমদা হংবা ৰাহংদা মহাক্লা অমুক হন্না হায়খি মদুদি ওলিম্পিক্কী এরিয়াদা এথলিট অমসুং শিন্মী (ৱার্কর) দা হীদাক কাপথোকউ। লৈবাক ২০৬কী ওলিম্পিক কম্মিটিদা মখোয় মখোয়গী লৈবাক্তা মফম অসিদা তিকা থাবগী প্রোগ্রাম অসি খঙহনখ্রে। মার্চ থাগী ১০দগী ১২ ফাওবা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী ভর্চ্যুএল মীটিং পাঙথোক্কনি, চহীগী মীটিংনা এথেন্সতা কুমজা ২০২৫দা পাঙথোক্কনি। চহী অসিদা মথংগী প্রসিদেন্ট খনগনি।




ওলিম্পিক গেমস চহী অমা ফানা য়ৈথোকপা অসি ওলিম্পিক্কী পুৱারীদা হন্দক্কী অসিনা অহানবনি। মসিগী মমাঙগী ওলিম্পিকশিংগী পাউদম ওইনা কুমজা ১৯১৬তা বর্লিন্দা তরুকশুবা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোক্লবা অয়াবা পীখি। মদুদা লৈবাক অসিনা থৱায় হকচাং য়াওনা শিল-লাংজরম্মী। তৌইগুম্বসুং অহানবা লাঞ্জাওনা মরম ওইদুনা ওলিম্পিক অদু পাঙথোকখিদে, থৌদোক অসিমক কুমজা ১৯৪০ অমসুং ১৯৪৪দা মথংশিংনা টোকিও/হেলসিনকি অমদি লন্দন্দা (১৯৪৪) পাঙথোক্কনি তৌরম্বা ওলিম্পিকশিং অদুসু তৌখিদ্রে। মরম অসিনা নৌনা লিংখৎপা কুইদ্রিবা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী তুংগী আশাদা চিংনবা অমা ফাওখি অমসুং ওলিম্পিক মুভমেন্ট অসি মালেম পূম্বদা শন্দোকপা ঙম্লরোইদ্রা হায়না নীংখি। লাঞ্জাও অসিগা ইরোয়ননা ওলিম্পিক গেমস মুৎখিগদ্রা হায়না কিন্নরম্মী, অদুমক্তি থোকখিদে।

ষ্টোকহোলমদা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোক্লিঙৈদা আই ও সীগী মীফম অমা ফম্লম্মী। মদুদা মথংগী ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকপগী য়ূম্বু ওইজগে হায়দুনা বর্লিন, বুদাপেষ্ট অমসুং অলেকজেন্দ্রিয়ানা চে থারকপদগী ৰাফম অদু খন্নরবা মতুংদা মখোয়গী মরক্তগী বর্লিন খল্লম্মী। মীটিন অদুদা শরুক য়ারিবা আই ও সীগী মেম্বরশিংনা বর্লিনবু ওলিম্পিক গেমসকী য়ূম্বু ওইনবা খনখিবগী মরমদি মতম অদুদা য়ুরোপ্তা লাঞ্জাও অমা থোকপা য়াবগী মমি উরম্মী। মহাদেশ অসিদা লৈরিবা লৈবাকশিংনা নপাক-নপাক তান্নদুনা মীচং চুংশিন্নরম্মী অমদি জর্মনিনা আর্মি অমসুং নেভি হান্নদগী হেন্না শেমগৎতুনা মালেমদা লৈরিবা লৈবাকশিং অসি খুদুম চন্নীংই হায়বা মালেম পূম্বনা খঙলম্মী। মরম অদুনা সহর অসিদা ওলিম্পিক গেমস য়ূম্বু ওইহল্লবদি লৈবাক অসিনা লান তৌনীংবগী ৰাখল্লোন ফাদখিবা য়াই। হঙ্গেরিগী মীহুৎ জুলেস-দি-মুসাসসু মালেমগী লাঞ্জাও অমবু কন্নবা হায়দুনা মহাক্কী সহর বুদাপেষ্টকী মহুত্তা বর্লিন্দা শৌগৎখি। পাঙথোকখিদবা ওলিম্পিক অসিগী মশীংদি অদুমক থমগনি। মসিবু তরুকশুবা ওলিম্পিক গেমস হায়না ওলিম্পিক্কী রেকোর্দতা থম্মী।

কুমজা ১৯১৪গী জুন ২৮দা ওষ্ট্রিয়া-হঙ্গেরিগী মথং খনবা (য়ুবরাজ) মথংদা লৈবাক অদুগী নিংথৌ ওইগদবা অরচদিউক ফ্রানসিস ফরদিনান্দ মহাক্কী নুপীগা লোয়ননা বোসনিয়াগী কোনুং সরায়িভোদা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি। বোসনিয়া ইকুই কুইদনা চহী খরগী মমাঙদা ওষ্ট্রিয়ানা লৌশিনখিবদা ঙাইরি। ওষ্ট্রিয়ানা মসিদা সর্বিয়াগী মখূৎ য়াওই হায়না খঙলম্মী। মরম অদুনা সর্বিয়াদা জুলাই ২৮দা লান তারম্মী, মসিনা মালেমগী অহানবা লাঞ্জাও থোকখিবগী অহানবা খোঙথাংনি। রসিয়ানা সর্বিয়াগী মতেং পাংই অদুনা জর্মনিনা রসিয়াদা ওগষ্ট ১দা লান তাখি অমদি মায়কৈ অমত্তগী মীচংদা য়াওদবা বেলজিয়মদা নমদুনা চঙশিন্দুনা খুদুম চন্দুনা ফ্রান্স তম্না চঙশিন্দুনা লান তাখি। ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিদা য়াওরিবা জর্মনিগী মেম্বরশিংনা লান অদু মতম কুইরোই হায়না খল্লম্মী। মরম অদুনা মখোয়না ওলিম্পিক্কী য়ূম্বু ওইবা অদু খুদোংচাদবা অসিনা হন্দোকচরগে অতোপ্পা শান্তি লৈবা লৈবাক অমদা পাঙথোকহনবীয়ু হায়বা ৰাফম আই ও সীদা থাঙ্গৎখিদে। অতৈ মেম্বরশিংনা গেমস অদু লান য়ৌরোইদবা মফম য়ুনাইটেদ ষ্টেটস ওফ অমেরিকাদা হোংদোকসি হায়খি। ●

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; MOIRANG**

**Ref. Mutation Case No. 81/SDC/M Dated 02/02/2021**

D. Ginsang Gangt, S/o. Late Lienpi Gangte of Bunglon

-Vrs-

Late Lienpi Gangte, S/o. Late Soipu Gangte of Bunglon

ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Moirang, the 2nd Feb., 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫১-ঙাঙ্খা লৱাইদা পাট্টা নং ৭০৮ অনৌবা সী: এস: দাগকী নং ২৯০ এরিয়া ২.৫৩ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী লৌফম অসি মশাগী ইমুং-মনুং মচানা মীং (নামা) ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা অপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

HL-B/6753/3 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector : Moirang**

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR; MOIRANG**

**Ref. Mutation Case No. 84/SDC/M Dated 02/02/2021**

Moirangthem Inakhunbi Devi, W/o. Late M. Amusana Singh of Thamnapokpi Awang Leikai

-Vrs-

Late Pukhrambam (N) Moirangthem (O) Anoubi Devi, W/o. Jatra Singh of Thamnapokpi

ꯄꯥꯎꯖꯦꯜ / **NOTICE**

Moirang, the 2nd Feb., 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫০- থম্নাপোকপীদা লৈবা পাট্টা নং ৭৬ অনৌনা সী: এস: দাগকী নং ৩৬২ এরিয়া ০.১৫ একর চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মীংদা লৈবা লৌফম অসিগী মীং ওনবীরো হায়না মথক্তা পীরিবা দরখাষ্টকারি অসিনা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা অপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চথগনি।

HL-B/6753/3 ***Sd/-* Sub-Deputy Collector : Moirang**